ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক
Imphal, Wednesday, March 18, 2026

# ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ হৌখ্রে, এম পি এস সিনা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাক্কো স্কুল চনুংনা শীন্দুনা ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্টকী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা সেয়োগী হোক্কী গ্রাউন্দদা ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬ ষ্টেট লেভেল মেন'স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্ট হৌখ্রে।

টিম ৬না শরুক য়াদুনা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ওপনিং মেটচতা এম পি এস সিনা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপপু গোল ৫-০দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইন্দিয়ন সেনিয়র মেন'স হোক্কী টিমগী ভাইস কেপ্তেন ওইরম্বা অমদি ওলেম্পিয়ান কঙাজম চিংলেনসনা, সেয়োগী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ ইঙোচা অমসুং য়ুনাক্কো স্কুলসগী চিয়ারমেন নিঙোম্বম ইরাবন্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা শরুক য়াখি।

ঙসি এম পি এস সি অমসুং ৱাই সি সি আই সিনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাই সি সিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংবু এম পি এস সিগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংনা হেন্না লাকশিন্না শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্কা অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নবগা লোয়ননা গোল চন্নবগী লম্বী থিরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদসু এম পি এস সিগী মায়কৈদগী ৱাই সি সি আই সিগী মায়কৈদা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নবগা লোয়ননা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা টিম অনীমক্কা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অমদি অহুমশুবা ক্বার্টরগী অহৌবা শরুক্তগী হৌনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এম পি এস সিগী শান্নরোইশিংনা তপ্পা তপ্পা লাকশিন্দুনা শান্নরকপগা লোয়ননা ক্বার্টর অসিগী ৩২শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৭ এন ভাকরনা বেকহেন্দ সোট অমা য়ৈশিন্দুনা ৱাই সি সি আই সিগী গোলকিপর ধনারাজবু মায়থিবা পীরমদুনা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

এম পি এস সিগী গোল একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং অতেনবা মতমগী মনুং ৩৪শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৭ এন ভাকরনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা গোল ২-০দা মাঙথিল থাদুনা চৎখি।

ক্বার্টর অসিদা এম পি এস সিগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোনর কয়া ফংবা ঙম্লবসু ৱাই সি সি আই সিগী গোলকিপর ধনারাজনা নীংথিজরবা সেভ কয়া তৌদুনা অহেনবা গোল চনবা ঙমহনখিদে। মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টরগী ৪৯শুবা মিনিটতা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৬ এল মন্তোশনা গোল অমা চনবগা লোয়ননা থংনবা মিনিট ৫০শুবদা জর্সি নম্বর ২৩ কেএসঐচ ৱাঙম্বানা মহাক্কী টিমগী মঙাশুবা গোল চনবা ঙমখি।

ক্বার্টর অসিগী লোয়রমদাই মিনিট ৫৮শুবদা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৬৬ এল পূর্ণাচন্দ্রনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মখোয়গী মায় পাকপগী মঙাশুবা গোল শুহনখি। ক্বার্টর অসিদসু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোনর কয়া ফংবা ঙম্লবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা এম ব্রোন্সন অমসুং কেঐচ ধনঞ্জয়না অম্পয়র অমসুং ইভান অনাল অমসুং কেএসঐচ সোফিয়ানা জজ ওইনা কন্দক তৌখি।

### ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬গী ফিক্সচর

| DATE | TIME | TEAM | VS | TEAM | MATCH NO |
|---|---|---|---|---|---|
| 17/03/2026 | 2:30 PM | MPSC | VS | YCCIC | 1 |
| 18/03/2026 | 12:30 PM | TWC | VS | SEYO | 2 |
| 18/03/2026 | 2:00 PM | KHSC | VS | MEIRAA | 3 |
| 20/03/2026 | 12:30 PM | MPSC | VS | MEIRAA | 4 |
| 20/03/2026 | 2:00 PM | YCCIC | VS | KHSC | 5 |
| 21/03/2026 | 12:30 PM | SEYO | VS | YCCIC | 6 |
| 21/03/2026 | 2:00 PM | MPSC | VS | TWC | 7 |
| 22/03/2026 | 12:30 PM | TWC | VS | KHSC | 8 |
| 22/03/2026 | 2:00 PM | MEIRAA | VS | SEYO | 9 |

# মিরাবাই চনু ওলেম্পিক গেমস ২০২৮কী অহানবা ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট অনীদা শরুক য়ারোইদৌরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ

ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনু ২০২৮ লোস এঞ্জেলিস ওলেম্পিক গেমসকী অহানবা ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট অনীদা শরুক য়ারোইদৌরি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অদুনা হায়, সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং মহাক্কী হেদ কোচ বিজে শর্ম্মনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা মেজর কম্পিটিসগী মতুংদা মহাক্কী ৱেঠ কেটাগোরি হোংদোক্পগী অশানবা মীৎয়েং থম্বা মরম্না ২০২৮ লোস এঞ্জেলিস ওলেম্পিক্কী রেঙ্কিং পোইন্ট লোয়নরিব অহানবা ইভেন্ট অনীদা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

মিরাবাই চনুনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলঠ গেমস অমসুং এসিয়ন গেমসতা ৱেঠ কেটাগোরি ৪৯দা শরুক য়ারবা মতুং মহাক অমদি মহাক্কী কোচনা অহানবা প্লানগী মতুংইন্না ২০২৭দগী হৌনা মিনিমম ওলেম্পিক ৱেঠ কেটাগোরি অমা ওইরিবা কেজি ৫৩দা কম্পিটিসন য়াওনবা খন্নখিবনি।

হেদ কোচ ওইরিবা শর্ম্মাগী মতুংইন্না ৱেঠ কেটাগোরি হোংগদবা অসিদা খোংজেল য়াংনা চঙশিনবগী মহুৎতা ওফ সিজনদা মহাক্কী ৱেঠ তপ্না হেনগৎনবা খৎনরকখিবনি। ওফ সিজন অসিদা মিরাবাই চনুগী মশল মাস অমসুং ষ্ট্রেং এন্দ কন্দিসনিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনরগা কেজি ৫৩দা শরুক য়াগদৌরি।

মমাঙ থাদা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী পাথৱে থোকখিবদা ময়েক শেংনা মিরাবাই চনুনা চহী অসিগী এসিয়ন গেমসকী মতুংদা ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ক্বালিফাইয়র অনীদা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা ২০২৭ সিজনগী রেঙ্কিং ইভেন্টদা মেনখৎপা ঙমগদবা মরম্না অহানবা ইভেন্ট অনীদা শরুক য়ারোইদৌরিবা অসিদা মিরাবাই চনুদা অকায়বা অমত্তা লৈরোই। লোস এঞ্জেলিস গেমসকী ক্বালিফিকেসন রেস অসি চহী অসিগী জুলাই ২৬তগী হৌরগা ২০২৮কী মে থা ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। মসিদা তোঙান তোঙানবা ফেজ অনীদা পুন্না ইভেন্ট ১০ পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অহানবা ফেজতা লিফটরশিংনা কন্টিনেন্তেল ইভেন্ট অমদি ক্বালিফাইয়র য়াওরগা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসন ৬তা অপুনবা রিজল্ট অহুম রেকোর্দ তৌগদবনি অমদি অনীশুবা ফেজতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন ৪দা লিফটরশিংনা য়ামদ্রবদা রিজল্ট অনী ফংগদবনি।

অহানবা ফেজকী খ্বাইদগী ফবা টোতেল ৩ অমসুং অনীশুবা ফেজতগী খ্বাইদগী ফবা টোতেল ২ লৌখৎলগা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন রেঙ্কিংদা লিফটর অমগী পোজিসন মশক তাক্কদৌরিবনি। লিফটর অমনা ক্লিন এন্দ জর্ক অমসুং স্নেটচ কেটাগোরিদা মখোয়না থাংগৎপা কেজি খুদিংমক্কী পোইন্ট হেনগৎক্কদৌরিবনি।

জেন্দর খুদিংগী কেটাগোরি ৬তা নুপা লিফটর ৬০ অমসুং নুপী লিফটর পুন্না ১২০না অথোয় অহেন তান্নরবা মতুং রেঙ্কিং লিষ্টকী মখা পোন্না ওলেম্পিক্কী কোতা লেপকনি।

## ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (এস এন এস)ঃ ময়াং লাংজিং য়ুঠস লাইব্রেরি ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৯দগী ১৫শুবা নাইন এসাইদ ভিলেজ ৱাইজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়না ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা ময়াং লাংজিং য়ুঠস লাইব্রেরি ক্লবতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। চথুগদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিন্নরদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমসুং রন্নরস অপ্তা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ২০ থম্বগা লোয়ননা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা লুপা ১৫০০, হয়েষ্ট স্কোরর, বেষ্ট প্লেয়র অমদি বেষ্ট গোলকিপরদা লুপা লিশিং অমমম থল্লি।।

# হৈরাঙ্গোইথোং মসাকর ষ্টেট লেভেল ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ

য়ং মেন'স দিলভপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই এম দি ও) হৈরাঙ্গোইথোংনা শীন্দুনা টিম ৭না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্নুনা চথরকখিবা ৪২শুবা হৈরাঙ্গোইথোং মসাকর ষ্টেট লেভেল ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল ওইনা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং দি ভি এ থৌবালগা লোয়ননা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা অমিমাইদো ময়াং ইম্ফাল অমসুং কে এল ৱাই জি সি কামোংনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এল ৱাই জি সি কামোংনা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলবু সেট ৩-০দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা কে এল ৱাই জি সিনা ২৫-২০, অনীশুবা সেটতা ২৫-২১ অমসুং অহুমশুবা সেটতা ২৫-২১দা মায় পাকপা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এমিমাইদোনা দি ভি এসু ষ্ট্রেট সেটতা ২৫-২২, ২৫-১৮, ২৫-১২দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা ৱাই এম দি ওনা কে আর এল সি নম্বোল খা জিরিবু পুং ১ হেন্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ২২-২৫, ২৫-২৩, ২৫-২০, ২৫-২০দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মেটচ অমদা এমিমাইদোনা ৱাই পি সি ইশোকপু ষ্ট্রেট সেটতা ২৫-১৫, ২৬-২৪, ২৫-১৮দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী ৱিন্নর অমসুং রন্নর তাদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্লখি।

## ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা ১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৫-২৬কী ফাইনেল থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা অর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা ই এস য়ু ৱাঙ্খৈ অমসুং এন এম এফ এ সলামনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী থা অসিগী ৩দা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ই এস য়ুনা মণিপুর পুলিসপু গোল ২-০দা অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা এন এম এফ এনা য়ু এস এবু পেনাল্টি সুট আউটতা ৪-৩দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

## চেছ টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ

দি কংলৈ চেছ একাদমিনা শীন্দুনা অহানবা রাজকুমার সনাজাউবা মেমোরিয়েল অন্দর-২০ চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৬ হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০দগী য়াইস্কুল সনাখ্বাতোন কোলুপ্তা হৌরগনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা ডাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন (এস)গী প্রিয়োকুমারনা চীফ গেষ্ট, কংলৈ চেছ একাদমিগী ওর্গনাইজিং প্রসিদেন্ট সনাশম উমানন্দনা প্রসিদেন্ট অমসুং মণিপুর ষ্টেট চেছ এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট হেমাম যোগেন্দ্রো মীতৈনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা শরুক য়াগনি।

# অয়ুস সেত্তি অমসুং তনভি শর্ম্মনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন কন্তিঞ্জেন্ট লুচিংগদৌরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ

সুপর ৩০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অমদি য়ু এস দোলর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈরিবা ওর্লিয়ন্স মাষ্টরসতা অয়ুস সেত্তি অমসুং তনভি শর্ম্মনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন কন্তিঞ্জেন্ট লুচিংগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ওপনিং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ভেটরান সট্টলর অমসুং মকোক থোংবা সিদতা লৈরিবা চাইনিস টাইপেগী চৌ কিয়েন চেন অনীনা থেংনগদবা অদু ঐচ এস প্রন্নোই মমাঙ চায়োলদা পাঙথোকখিবা স্বীস ওপনদা মহাক্কী লেঙজুম অশোকপা নঙখিবা মরম্না টুর্নামেন্ট অসিদগী তোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মশক নায়বা সট্টলরশিং ওইরিবা পি ভি সিন্ধু অমসুং লক্ষ্যা সেন য়াওরোইদবা মরম্না নহা ওইরিবা অয়ুস সেত্তি অমসুং তনভি শর্ম্মদা ইন্দিয়াগী কন্তিঞ্জেন্ট অসি লুচিংনবা শীনখিবনি।

লক্ষ্যা সেন হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লেমজনিংঙাই ওইরবা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়ন্সিপ্তা রন্নরস অপ তাবা ঙমখিবনি। ওর্লিয়ন্স মাষ্টর অসিদা ইন্দিয়াগী মচিন তুমখৎল্লক্লিবা অমদি ৮শুবা সিদতা লৈবতা নত্তনা মালেমগী ২৫শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অয়ুস সেত্তিনা মহাক্কী ওপনিং রাউন্দদা টাইৱানগী লি চিয়া হাওগা থেংনদুনা কেম্পেইন হৌদোক্কনি। হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ কিদম্বি শ্রীকান্তনা মহাক্কী ওপনিং রাউন্দদা দেনমার্ক্কী মকোক থোংবা সট্টলর ওইরিবা মাগনস জোহানেসেনগা থেংনগনি।

মমাঙ চায়োলদা পাঙথোকখিবা স্বীস ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌখিবা থারুন মানেপালিনা টাইৱানগী ৱাং জু ৱৈগা থেংনরগা কিরন জোর্জনা অহুমশুবা সিদতা লৈরিবা জপানগী কেন্তা নিসিমোতোগা থেংনগনি।

কিরন জোর্জনা বাসেলদা পাঙথোকখিবা স্বীস ওপন অদুদা হান্নগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন লোহ কিনবু মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা মালেমগী ১০শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী অমসুং ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেদলিষ্ট তনভি শর্ম্মনা মহাক্কী ওপনিং রাউন্দদা থাইলেন্দগী সুপানিদা কাতেথোংগা থেংনবগা লোয়ননা মালেমগী ২১শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মালভিকা বনসোটনা টাইৱানগী সুং য়ুনগা থেংনগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস অসিদা ইসারানি বরুৱা, অনমোল, রক্সিতা অমসুং দেপিকানা শরুক য়াবগা লোয়ননা নুপাগী দবলসতা হরিহরন অমসুং অর্জুন য়াওরি।

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN MANIPUR
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI
NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
MANAGED BY WELL EXPERIENCED CBSE TEACHERS & BOARD EXAMINERS
ADMISSION OPEN
FOR
FOUNDATION COURSE FOR
CLASSES VII, VIII, IX, X & XII (SCIENCE, ARTS & COMMERCE)
Date of Class Commencement 26th March, 2026
Last date of admission 25th March, 2026
Special Features:
- Well qualified and highly experienced CBSE Teachers and CBSE Board examiners.
- Providing chapter wise study materials.
- Regular Chapter-wise test series.
- Special attention for extremely weak students (late bloomers).
- Providing remedial classes for doubt topics.
- Providing free educational counselling classes by expert psychologist.
- Always guaranteed 100% success, also achieved the same for 5 successive years.
- Extra Classes for awareness of exam techniques, time management, preparation strategies etc.
Application Forms can be had from SAPE office on every working days from 4:00 pm to 7:00 pm
For more details please contact:
7005549639 | 9863771619
Sape Tutorials Imphal
SL/B(sape)/10 (alt) 15 days




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77
E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com